# সাউথ সুদানদা লৈরিবা ইন্দিয়নশিং পুরক্লবা হোৎনরি : সুস্মা স্বরাজ



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১১ (এজেন্সী) :

সাউথ সুদানদা হন্দক্তা নৌনা খুৎ থোক্লরকপদগী লৈবাক অদুদা লৈরিবা ইন্দিয়নশিং পুথোরক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্টকী তুংইনবা লান্মীশিংগা ভাইস প্রসিদেন্টকী লান্মীশিংগা খুৎ থোক্লরকপদা মীওই ২৭২ শিখ্রবা মতুংদা সুস্মা স্বরাজনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, সাউথ সুদানদা ওইরক্লিবা ফীভম কুপ্না য়েংশিল্লি। মফম অদুদা লৈরিবা ইন্দিয়ন পুম্নমক অথুবা মতমদা পুথোরক্লবা থৌরাং তৌরি। ইন্দিয়ন খুদিংমক্না লৈবাক অদুদা হৌজিকমক্কী ওইনা চৎনবগী থৌরাং তৌরোইদবনি।

সাউথ সুদানদা লৈরিবা ইন্দিয়ন-শিংনা মতেং পাংবীনবা এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্টরগী মফমদা হায়জরক-পদগী সুস্মা স্বরাজনা মীওইশিং অদুবু অথুবা মতমদা পুথোরক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

রোইটর্সকী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, সাউথ সুদানগী ভাইস প্রসিদেন্ট রিক মচারগী রেসিদেন্সতা ঙরাং প্রসিদেন্টকী লান্মীশিংনা এটেক চথুরকখি। মচারগী স্পোক্সমেননা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা প্রসিদেন্ট সলভা কিরগী মায়কৈদগী পাউখুম অমত্তা পীরকপা লৈত্রি।

প্রসিদেন্ট অমদি ভাইস প্রসিদেন্টকী তুংইনবা লান্মীশিংগী মরক্তা নৌনা খুৎ থোক্লরকপা অসিনা নিংতম্বা চহী ৫ শুবদা ঙাইরিবা লৈবাক অসিদা পাক শন্না লালগী মওংদা খুৎ থোক্লরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়না মীপাইনরি।

পনবা য়াবদি, লুচিংবা অনীনা কুমজা ২০১৩ দগী হৌনা খুৎ থোক্লরকপদগী লৈবাক অসিদা চহী অনীরোম সিভিল ৱার থোক্তুনা লাকখিবনি।

প্রসিদেন্ট সলভা কিরগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর মাইকেল মাকুইনা মমাঙদা হায়খি মদুদি, ফীভম লাকশিন্নবা হোৎনরিবা মরম্না মীপুম খুদিংমক ময়ুম-ময়ুমদগী মপান থোরক্লোইদবনি।

লুচিংবা অনীনা অঙম তান্নদুনা চহী অনীরোম খুৎ থোক্লদুনা লাকপদা চাউরাক্লা মীওই ২৭২ শিখ্রে হায়না হেলঠ মিনিষ্ট্রিগী ছোর্স অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

জপানগী য়ু এন এম্বেসেদর কোরো বেসোনা নোংমাইজিং নুমিৎতা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী লুচিংবশিংদা সাউথ সুদানগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীশিনখিবগা লোয়ননা হায়খি, য়ু এন পিছ কীপ্পিং ফোর্সতা য়াওবা চাইনিজ অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা চাইনিজ কয়ামরুম অশোক-অপন নংলে। রুৱান্দান পিছ কীপ্পর কয়াসু অশোক-অপন নংলে হায়না মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

সাউথ সুদানগী কেপিটেল সীটি জুবাদা লৈবা য়ু এন মিসনগী কম্পাউন্দদা ঙরাং নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি। থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা অহেনবা পিছ কীপ্পিং ফোর্স থাজিন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

মেম্বর ১৫ লৈবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা হায়খি মদুদি, অফ্রিকাগী লৈবাকশিংনা সাউথ সুদানদা লান্মী কয়া থাজিন্দুনা খুৎ থোক্লরিবা নাকল অনীমক খামদোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা মতম ওইরে। অথুবা মতমদা য়ু এন পিছ কীপ্পর ১৩,৫০০ থাজিন্দুনা সাউথ সুদানগী মীচম মীয়াম ঙাক শেন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা সাউথ সুদানদা খুৎ থোক্লরিবা নাকল অনীমক খোঙফম হন্দোক্লবা খঙহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা লৈরিবা য়ু এস এম্বেসিগী মীওইশিং থোরক্লবা খঙহনখ্রে।

# কাশ্মীরদা হৌজিকসু মহৌশাগী পূন্সিদা হঞ্জিল্লকপা ঙমদ্রি, শিখিবা মীওই ২৩ শুখ্রে





শ্রীনগর, জুলাই ১১ (এজেন্সী) :

কাশ্মীরদা হৌজিকসু মশাগী পূন্সিদা হঞ্জিলহনবা ঙমদ্রি। সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা শিখিবা মীওই ২৩ শুখ্রে।

হিজবুল মুজাহিদীনগী কম্মান্দর বুরহান ৱানিবু হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা সেপরেটিষ্টশিংনা কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম পুম্নমক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি।

পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি, কুলগাম দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা হোৎনবদা মীওই অনী শিখি। লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুদি ফিরোজ অহমদ মির (২২) অমসুং খুরসিদ অহমদ মির (৩৮) নি।

খা থংবা কাশ্মীরগী মফম অসিদা ঈ-পাউ ফাওনবগী খুদোংচাবা লৈতবা মরম্না মীওই অনী শিবগী পাউ অসি ঙরাং ফংবা ঙমখিদে হায়না পুলিস ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিৎতা মীয়াম্না সাউথ কাশ্মীরগী দিষ্ট্রিক্ট মরিদা পাক শন্না খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুংদা টেলিফোন অমদি মোবাইল সার্ভিস পুম্নমক লেপখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা ঈ-পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। হৌজিক ফাওবদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা শিখিবা মীওই ২৩ শুরে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা পুলিস পার্সনেল অমসু য়াওই হায়রি।

শ্রীনগর সীটি য়াওনা কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা ওথোরিটি-শিংনা মীওই অমত্তা ময়ুমদগী মপান থোরক্তনবা খঙহনখি। অদুবু মীওই কয়া লম্বীদা থোরক্তুনা বুরহান ৱানি শিখিবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা মরম ওইরদুনা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওফ কাশ্মীর, ইস্লামিক য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর বোর্দ ওফ স্কুল এদ্যুকেসনগী ইগজামিনেসন য়েথোকখ্রে।

অমরোমদা, খুদোংথীবা থোরকপা য়াই খনবদগী জম্মুদা অমরনাথ যাত্র পাঙথোকহনখিদ্রে।

সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা হায়খি মদুদি, ষ্টেটকী হৌজিক ওইরিবা লো অমদি ওর্দরগী ফীভমনা মরম ওইরগা থংন-থংননা নুমিৎ হুম্নি অমরনাথ যাত্র পাঙথোকহন্দ্রে। মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা হোৎনরদুনা সয়িদ অলি শাহ গিলানি, মিরৱাইজ উমর ফরুক অমদি মহমদ য়াসিন মালিকনচিংবা সেপরেটিষ্ট লীদরশিং হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লে হায়রি।

মরকসিদা, সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা মীচম মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা হোৎনবদা মীওই ২৩ শিহনখিবগী থৌওংবু সী পি আই (এম)না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। পার্টি অসিনা থাদো-রকপা ৱারোল অমনা হায়খি, মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা খুৎলায় পায়দবা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবা হোৎনবদা কা হেনবা থৌওং চথুরোইদবনি।

# মধ্য প্রদেশকী ঈচাওদা শিখিবা ২২ শুখ্রে, অসামদসু মীওই কয়া রিলিফ কেম্পতা লৈরি



ভোপাল/গুৱাহাটি, জুলাই ১১:

মধ্য প্রদেশতা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৭ শিখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা শিখিবা মীওই ২২ শুখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহাননা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, হৌজিক ফাওবদা ঈচাওনা মরম ওইরদুনা শিখিবা মীওই ২২ শুরে অমসুং অতোপ্পা মীওই ৯না থিবা খঙখিদ্রে।

ভোপাল অমসুং জগলপুরদা মীওই ৫/৫ শিখি অদুগা বিদিসাদনা মীওই ৩ শিখি। রাইসেন, রেৱা, সাগর, মন্দলা, টিকমগর, সিওনি, দামোহ, সাহোর অমসুং অগর-মলৱা দিষ্ট্রিক্ট-শিংদা মীওই অমমম্ শিখি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতগী থাদো-রকপা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মীওই ৭,০০০ রোম কনবা ঙল্লে। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা নোং কন্না চুরকপদগী মীওই ৩,৩২,৪০০ রোম ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরি।

ভোপাল, সজাপুর, জবলপুর, সাটনা, হরদা অমসুং পন্না দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১৫,৮১৯ লোম তোঙান-তোঙানবা রিলিফ কেম্প ৬৮ দা চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ভোপাল সেন্টরনা ফোঙদোকখিবা মতুংইন্না ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৩৪ দা মহৌশাগী ওইবা চাংদগী হেন্না নোং কন্না চুখি। লাক্কদৌরিবা পুং ২৪গী মনুংদসু মখা তানা নোং কন্না চুরকপা য়াই হায়না সেন্টর অসিগী দিরেক্টর অনুপম কাশ্যাপিনা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, গুনা, নীমক, মন্দসোর, রটলম, উজেন, সজাপুর, রাজগর, সেহোর অমসুং অগর-মলৱা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পুং ২৪গী মনুংদা নোং কন্না চুরকপা য়াই।

অমরোমদা, অসামদসু ঈচাওনা মরম ওইরদুনা মীওই লিশিং কয়া অৱাবা নংহনবগা লোয়ননা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী ঈমায় মফম কয়াদা পাথোরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

অসাম দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এ দি এম এ)না হায়খি মদুদি, জোরহাট অমসুং গোলাঘাট দিষ্ট্রিক্টকী খুঙ্গং ১০০ রোম হেন্না ঈশিং থুমজিনখিবগা লোয়ননা মহৈ-মরোং উবা লৌফম কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। জোরহাট দিষ্ট্রিক্ট খক্তদা মীওই লিশিং ৫০ রোম হেন্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরি। গভর্ণমেন্টনা অৱাবা তারবা মীয়ামগীদমক মফম কয়াদা রিলিফ কেম্প হাংদোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা রিলিফ কেম্পতা শৈদাংফম লৌরিবা মীওইশিংদা চানবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকপা হোৎনরি। চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱালনা ঈচাওগী ফীভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা লৌনগনবা লায়না শন্দোরক্তনবা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না ষ্টেট হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টতা খঙহনখ্রে।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতসু অসামগী মফম অয়াম্বদা নোং কন্না চুরকপদগী কামরুপ মেট্রোপোলিটান দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা জোরহাট এরিয়াদা লেন্দস্লাইদ তৌদুনা মীওই অনী শিখ্রবনি। ষ্টেট অসিদা মীওই লাখ ১.৫ রোম হেন্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরি হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

# হার্দিক পটেল বেল পীখ্রে, মেহসনাদা থা ৯ চঙবা য়াহল্লোইদৌরি

গান্ধীনগর, জুলাই ১১ (এজেন্সী) :

পটেল ফুরুপকী মীওইশিংদা রিজার্ভেসন পীগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং লুচিংখিবা হার্দিক পটেলবু গুজরাট হায় কোর্টনা বেল পীখ্রে। অদুমওইনমক থা ৯ ফাওবদি মেহসানাদা মহাক চঙলকপা য়ারোই হায়না কোর্টনা য়াথং পীখি।

মমাঙ চয়োলদা হায় কোর্টনা পটেলবু অতোপ্পা কেস অমগা মরী লৈননা বেল পীবা লৈখ্রবনি। মতমদুদা মহাকপু থা ৬ গুজরাটতা চঙলকপা য়ারোই হায়না কোর্টনা খঙহনখি। অদুমওইনমক অতোপ্পা কেস অমগী হিয়ারিং চথুগদবা লৈরিবা মরম্না মহাকপু জেলদগী থাদোকখিদে।

পটিদারশিংনা ও বি সীগী ক্লোটা পীগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবদা ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বস কয়া মৈ থাখিবগা লোয়ননা সীটি অয়াম্বগী লম্বী থিংখিবনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতসু গুজরাট হায় কোর্টনা হার্দিক পটেলবু সিদিসনগী কেস অমগা মরী লৈননা বেল পীবা লৈখ্রে। করিগুম্বা হার্দিক পটেলনা গুজরাটতগী থা ৬ চুপ্পা অতোপ্পা মফম অমদা লৈরুবগী ৱাফমদা অয়াবা পীরবদি বেল পীগনি হায়না কোর্টনা কন্দিসন অমা থমখি।

অদুবু হার্দিককী উকিল জুবিন ভর্দানা হায়খি মদুদি, অতোপ্পা কেস অমগী হিয়ারিং চথুগদবা লৈরিবা মরম্না হার্দিকনা থা ৬ অতোপ্পা মফম অমদা লৈরুবা হায়বা ৱাফম অসি ওইথোক্লোই।

পটিদার অমানট অন্দোলন সমিটি (পি এ এ এস)কী লুচিংবা হার্দিক পটেলবু সিদিসনগী চার্জদা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদগী জেলদা থল্লকখিবনি। মমাঙ থাদা হার্দিক পটেলগী ইমুং-মনুংগী মীওই পুম্নমক হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখিবগা লোয়ননা পটেল ফুরুপকী নুপী ৭ গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা স্লোগান লাউই হায়বগীদমক ফাজিনখি।

চীফ মিনিষ্টর অনন্দিবেন পটেলনা হার্দিককী পোক্লফম লমদম ওইরিবা বিরামগামদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙলিঁঙৈদা স্লোগান লাউরকপগীদমক নুপী ৭ অদু ফাজিনখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ মাঙওইননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা হার্দিককী ইমুং-মনুংগী মীওই পুম্নমক হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখি হায়না বিরামগাম টাউনগী পুলিস ইন্সপেক্টর বিস্বরাজ সিংহ জদেজানা ফোঙদোকখি।

পি এ এ এসকী মেম্বর দিনেশ বম্ভানিয়ানা হায়খি মদুদি, পটেল ফুরুপকী মীওইশিংদা রিজার্ভেসন পীবীয়ু হায়না খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়ামবু গভর্ণমেন্টনা কা হেনবা থৌওং চথুদুনা মীয়ামগী মচীন মেন্নবা হোৎনরে।

মতৌ অসুম্না মীয়ামগী রাইট খোঙ্গাওনবা অমসুং পটেল ফুরুপকী মীওইশিংবু তাথী-তাওইনা তৌবীবা অসিনা অমুক্কা হেন্না খোঙজং কনশিল্লক্লবগী মরম ওইহল্লগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, পটেল ফুরুপকী খোঙজং লুচিংলিবা হার্দিক পটেলনা পাউমীশিংদা হায়খ্রে মদুদি, মীওই খরা ফাজিন্দুনা থল্লবসু মীয়ামগী খোঙজং নমথবা ঙল্লোই। লৈবাক অসিদা লৈরিবা অতে অতোপ্পা শোথহৌরবা ফুরুপকী মীওইশিংগা মান্নবা মওংদা পটেল ফুরুপকী মীওইশিংদসু গভর্ণমেন্টনা থবক চঙবা অমদি মহৈতম্ফম লোইশঙশিংদা মিং চনবগী মতাংদা রিজার্ভেসন পীগদবনি।

COMET SCHOOL

A Co-Educational Higher Secondary School

Changangei Uchekon near Tulihal Airport, B.P.O. Tulihal - 795140, Imphal West, Manipur

**Situation Vacant**

11/07/2016

No. **CSA/2016/02** : Applications are invited from the interested candidates for the following post.

| Sl. | Name of Post | No. of Post | Min. Qual. | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | CHEMISTRY LECTURER | 1 | M.Sc. (Chem) | Rs.12,000/-* |

* Salary negotiable for well experience, deserving candidate (s).
- Prescribed application form and detailed information may be obtained from the office of the undersigned during office hours i.e., 10:00 a.m. to 02:00 p.m.
- Last date of issue & submission of application forms : **21st July, 2016** till 12:00 noon
- Date, time and place of interview : **22nd July, 2016** at 10:00 a.m. in the school premises.
- Please bring all the original documents for verification.

Sd/-

Principal, COMET SCHOOL

HL-B/3179/ 12 & 14

## ADMIT CARD LOST

I have lost my Original Admit Card of HSLC Examination, bearing Roll No. 26225 of 2016 issued by BOSEM, on the way from Khongnang Karak to Chingmeirong Oil Pump on 11/07/2016. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Dithailu Gonmei**

Nunggang Village, Senapati District

☎ +91 8413008976

HL-P/9080/ 12

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut Case No. 974/SDC/IW-L/ 2016*

Leishangthem Brojen Singh S/o (L) L. Iboby Singh of Lamsang Bazar ....... Petitioner

-Vrs-

Late Thokchom (N) Leibakleima Devi D/o (L) Amuleishang Singh of Sorok Keithel ...... O.P. Party

**NOTICE**

The 11/07/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার থোকচোম নিংঙোল লৈবাকলৈমা দেবী, পীং মৃঃ অমুলৈশং সিংহ, সাং শরক কৈথেলগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫২-লাইঙমখুল গী অনৌবা পাট্টা নং ১২, দাগ নং ৮০ অমসুং এরিয়ানা ০.১১ গী মনুংদগী খা-নোংচুপতা ০.০৭ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

*Sd-* **N. Shantabir Singh**

Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

HL-P/9079/ 12

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR**

*Ref:- Mut Case No. 420/SDC/SLG/IE- 2016*

Takhellambam Bobo Meitei S/o T. Mani Meitei of Pangei Bazar ..... Petitioner

-Vrs-

Late Takhellambam Barajao Singh S/o Late T. Kanhai Singh of Sarouthel ...... Opposite Party

**NOTICE**

Sagolmang, the 11/07/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তহশিল খুল নম্বর ৯-সারৌথেল পাট্টা নম্বর ৬৩ (অরিবা), ২৯ (অনৌবা), দাগ নং ৮৫ মোট এরিয়া ০.৮৩ একর চাওবা ইঙ্খোলগী পাটাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃত্যু পাটাদারগী মিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্যু পাটাদারগা মরি লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাওচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

*Sd-* **Sub-Deputy Collector,**

Sagolmang, Imphal East.

HL-P/9076/ 12

## MEEU না খঙহঞ্জবা

লাক্লিবা তাং ১৩/০৭/২০১৬ ইং, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা M.S.P.C.L অমদি M.S.P.D.C.L অনীমক্তা লৈবীরিবা Work-Charge অমসুং Muster Roll শিন্মীশিংগী ওইবা মীফম অমা য়ুনিয়নগী কনফরেন্স হোলদা (পাউনা ইন্টর্নেসনেল মার্কেট মচিন্দা লৈবা) পাঙথোকচরগনি। নুমিৎ অসিদা মরী লৈনবা খুদিংমক্লা ইশা-ইশাগী তৌদ্রবা য়াদ্রবা ইথৌনি খন্দুনা মতম চানা য়াওবীনবা নোল্লুকচরি। মসিদা লাকপীদবা মীওইশিংগী ৱাকৎ য়ুনিয়ন্না লৌজরোই।

*Agenda :* 1. W/C অমসুং Muster Roll শিন্মীশিংগী Development কী পাউদম

2. Organisation

*পাওজেঞ্জরিবা ঃ* **সিঐচ ইবোহনবী সিংহ,**

পল্লিসিটি সেক্রেটরি

The Manipur Electricity Employees' Union

HL-P/9057/ 12

**CSIR: North-East Institute of Science & Technology**

**Branch Laboratory, Lamphelpat, Imphal**

**Training program for Chemistry Teachers**

Two-day chemistry training program for teachers will be conducted at CSIR-NEIST Branch Laboratory, Lamphelpat during July 21-22, 2016 in collaboration with Royal Chemistry India Foundation, New Delhi. Interested chemistry teachers upto Class X may apply to the undersigned on or before July 19, 2016. Teachers will be selected on first-come first-serve basis.

***Sd/-* Dr Huidrom Birkumar Singh**

Scientist-in-Charge (Principal Scientist)

HL-P/9073/ 12

**UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

লায়েংজরি

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থ্রক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিভৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতে লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**

**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3121/2 Jun to2 Aug (Alt)

## খা-থিনুঙ্গৈ জিল্লা পরিষদ মেম্বরদা শিরিবা মরাল অসি অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম্নি।

তাং ০৫/০৭/২০১৬ ইং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মনিপুরগী লোকেল পেপর খরদা (হুইয়েন লানপাউ, পোক্লফম) জোব কার্দ পায়দুনা থবক শুখিবা মীওইশিংগী শেল পীথোকপীয়ু, লৌখোং শেংবগী খুশুমল লৌথোকখ্রে হায়না এন শান্তি দেবীনা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফমনি। মোইরাং খুনৌ জিপিগী ৱার্দ নং ৮/৫/৯ গী খুশুমল ফংলবা জোব কার্দ হোল্ডর ঐখোয় ২২২ না অমদি Mate ঐখোয়না খঙহঞ্জরি। এন শান্তি দেবী অসি MGNREGA গী জোব কার্দকী এপ্লিকান্ট অমসু ওইদে। ৱার্দ অসিদা লৈরিবা জোব কার্দ হোল্ডর ঐখোয় খুদিংম্না ইশা ইশাগী একাউন্টদগী ফংফম থোকপা খা-থিনুঙ্গৈ জিল্লা পরিষদকী one day গী "ইবোজাও লৌফমদগী তোলোম্বী লৌখোং অমসুং মতুম্বা লৌফম তাবা" থবক শুখিবগী খুৎশুমল ফংজরে। মহাক্না শিরক্লিবা য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল অসিনা মরম ওইদুনা ৱার্দ অসিগী MGNREGA গী থবক থৌরমদা অপনবা থোক্লবদি মদুগী দাইত্যা এন শান্তি দেবীনা পুগদবনি।

*খঙহঞ্জরিবশিংঃ-*

1. O. Munan Singh Job Card No. 1681
2. S. Birangol Singh Job Card No. 1751
3. S. Samungou Singh Job Card No. 1641
4. N. Chaoba Singh Job Card No. 2096
5. S. Nilachandra Singh Job Card No. 1761
6. S. Bheigyapati Devi Job Card No. 1636

HL-P/9075/ 12

**CAS Centre for Advanced Studies** / No.1 in Manipur

The only institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

**ADMISSION OPEN**

**CLASS XII & CLASS XI**

**NEW BATCH** (2016 - 2017)

**CLASS X**

(Eng, Maths, Science., Social Sc. & Man)

**SPECIAL FEATURES:**

- Special Guest teachers(Council & Board).
- Experienced and Expert Faculties.
- Exam. Oriented Chapterwise Study Materials.
- Weekly and Monthly Test Series.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Vision for toppers.

**New Evening Batches Commencing from 11th July, 2016** (4.30– 7.30) P.M.



17th Position Y. Sadananda 90.6%HSLCE(2015)

15th Position Waikhom Sylvish 92%HSLCE(2013)

16th Position Sonia Naorem 89%HSLCE(2012)

**New Batches Commencing from 11th July, 2016**

**Morning Batch** (4.30– 7.30) A.M.

Van Service, Hostel for BOYS & GIRLS available

*For Details contact:- CAS Office*

*Centre for Advanced Studies*

*Keishampat Junction,Imphal.*

HL-B/3123/3/06-2/07